# ইন্দিপেন্দেস দে রেল্লি শরুক য়াখিবশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী মীওই কয়া শিখ্রে



কাবুল, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী মনুং চনবা অসাদাবাদ সিটিদা ঙসি লৈবাক অদুগী ফিরাল পায়দুনা চৎখিবা ইন্দিপেন্দেস দে রেল্লিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা টালিবান ফাইটরশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী মীওই কয়া শিখ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টালিবানগী ফিরাল শেগাইদুনা অফঘানগী নেসনল ফ্লেগ পাইহল্লুবগীদমক লালহৌলূপ অসিনা মীওই ৩ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মতুং ঙসি মীশি মীনা য়াওবা থৌদোক অসি থোরকখিবনি।

মহমদ সালিম কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা অসাদাবাদকী মরু ওইবা লন্মীশিংদা মীওই চা কয়া থোরকখি। অহানবদা মহাক ময়ুমদগী থোকপদা অকিবা ফাওরম্মী। অদুমওইনমক মহাক্না য়ুমথংনরিবশিংসু লন্মীদা থোরকপা উবদগী মহাকসু মহাক্কী ময়ুমদা লৈবা নেসনল ফ্লেগ অদু পুরদুনা থোকখি। অদুমওইনমক মীয়াম্না নেসনল ফ্লেগ পায়দুনা ইন্দিপেন্দেস দে রেল্লি চৎলিঙৈদা টালিবান ফাইটরশিংনা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি। মদুদা মীওই কয়া শিখিবগা লোয়ননা খরা অমনা নেৎশিন্নবদগী অশোক অপন নংখি।

জলালবাদকী নোংপোক থংবা শরুক্তসু প্রোটেষ্টরশিংনা নেসনল ফ্লেগ পায়দুনা রেল্লি চৎপদগী টালিবান ফাইটরশিংগা উংখৎনবগী রিপোর্টতি লৈরে অদুমওইনমক থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংখিবগী পাউদি লৈত্রি হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা কুমজা ১৯১৯ গী ওগষ্ট ১৯ দা বৃটিশনা অফঘানিষ্টানবু মনীং তম্না লৈবাক অমা ওইনা থাদোক্লমখিবা নুমিৎ অসিবু নীংশিংদুনা চহী খুদিংগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। ঙসি থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা টালিবানগী মায়কৈদগীদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

অমরোমদা ফার্ষ্ট ভাইস প্রসিদেন্ট অম্রুলাহ সালেনা মীয়ামগী রেল্লি অদুবু শৌগৎখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না নেসনল ফ্লেগ পায়দুনা থৌনা ফনা থোরকখিবা অদুগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট অস্রফ ঘনি টালিবান কিবদগী চেনখ্রবসু মীয়াম্না থৌনা ফনা থোরক্লবদি অমুক হন্না মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা অথুবা মতমদা লাকহনবা ঙমগনি হায়নসু সালেনা মখা তাখি।

# বুরকিনা ফাসোদা রেবেলশিংনা এটেক চথুদুনা মীওই কয়া হাৎখ্রে

বুরকিনা ফাসো, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

ৱেষ্ট অফ্রিকাগী সাহেল রিজনগী মনুং চনবা বুরকিনা ফাসোগী অৱাং থংবা শরুক্তা খুৎলাই পায়বা রেবেল ফাইটরশিংনা চথুরকখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৭ হাৎখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না খুৎলাই পায়বা রেবেল ফাইটরশিংনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মীওই ৪৭ অদুগী মনুংদা ৩০ দি মীচমনি অদুগা ১৪ না লান্মীনি অমসুং অহুমনা প্রো গভর্ণমেন্ট মিলিসিয়া মেনশিংনি। গভর্ণমেন্ট ক্রুপশিংনসু এটেক চথুরকখিবা মীওইশিং অদুদা হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা রেবেল ফাইটর ১৬ শিখি।





বুরকিনা ফাসো য়াওনা য়ুমথংনরিবা মালি অমসুং নাইজরদা চহী অসি খক্তদা অল কৈদা অমসুং আই এস আই এলগা মরী লৈনবা ফাইটরশিংনা চথুখিবা এটেকশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই চা কয়া হাৎখ্রে। সাহেল রিজনদসু খুৎলাই পায়বশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং ওৎ নৈবা অমদি হাৎপগী থবক য়াম্না তোয়না চথুরি। মসিদা নত্তনা মীয়াম্না লৈনরিবা য়ুমশিং মৈ থাবগী থবকসু চথুরি।

মসিনা মরম ওইরগা হায়রিবা মফম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অহিং তুম্না ঙমদবগী ফীভম অমদা লাক্লে। মমাং চয়োলদসু বুরকিনা ফাসোগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা খুৎলাই পায়বা মীওইশিংনা এটেক চথুদুনা লান্মী ১২ হাৎখিবগা লোয়ননা মরাল লৈজদ্রবা মীচম ৩০ রোমসু হাৎখি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা খুৎলাই পায়বা রেবেলশিংনা নাইজরদা চহী নৌরিবা অঙাং ১৪ য়াওনা পুন্না মীওই ৩৭ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি।

ফ্রান্সনা সাহেল রিজনদা হান্না দিপ্লোয় তৌদুনা থল্লম্বা মখোয়গী ক্রুপশিং লৌথোক্লবা শেম শাবা হৌখ্রবা মতুং ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং থোকপগী চাং হেনগৎলকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১২ দা অল কৈদাগা মরী লৈনবা ফাইটরশিংনা সাহেলবু কন্ট্রোল তৌখি। অদুমওইনমক ফ্রান্সনা হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা খুৎলাই পায়বা রেবেলশিং অদু তকথোক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

# কম্মর্সিয়েল ফ্লাইটশিং রিজ্যুম তৌখ্রে

কাইরো, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা কুৱেটনা ইন্দিয়া অমসুং ইজিপ য়াওনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা পাইগদবা কম্মর্সিয়েল ফ্লাইট সার্ভিসশিং কেন্সেল তৌদুনা লাকখিবা অদু অমুক হন্না রিজ্যুম তৌরগনি হায়না লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়া অমসুং ইজিপ খক্তা নত্তনা কুৱেটনা বংলাদেস, পাকিস্টান, শ্রী লঙ্কা অমসুং নেপালদা মখোয়গী কম্মর্সিয়েল ফ্লাইট সার্ভিসশিং কেন্সেল তৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং হন্থরকখিবগা লোয়ননা ভেক্সিন কাপ্পগী থবকশিং খোঙজেল য়াঙনা পায়খৎলক্লিবা অদুগা য়েংলগা অমুক হন্না ফ্লাইট সার্ভিসশিং রিজ্যুম তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

অদুমওইনমক ইন্দিয়াদা পাইগদবা ফ্লাইটশিংগী ওইনদি অহেনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকনি। হৌজিক হৌজিক মালেমদা অমুক হন্না অকনবা চৈথেং পীরক্লিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটা অসি ইন্দিয়াদা ইহান হান্না আইদেন্টিফাই তৌখিবনি।

# টালিবাননা ঙাঙথোকখিবা ৱা ঙাক্না চৎত্রে হায়না য়ু এসনা মরাল শীরক্লি

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

য়ু এসনা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরিবা এয়রপোর্টতা অফঘানশিংনা লাকপদা অথিংবা পীরোই হায়না টালিবানশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু ঙাক্না চৎত্রে হায়না য়ু এস দিপ্যুটি সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ৱেন্দি সর্মননা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ঙাঙথোকখিবা ৱা ঙাক্না টালিবাননা চৎকদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎনিংবা অফগান কয়া টালিবানশিংনা থিংদুনা থন্দ্বগী পাউ য়াম্না তোয়না তারি। দোহাদা লৈরিবা য়ু এস দিপ্লোমেটশিং অমসুং কাবুলদা লৈরিবা মিলিটরি ওফিসলশিংনা টালিবানশিংগা হকথেংননা ৱারী শান্নদুনা অমেরিকান সিটিজনশিং, অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকখিবা মীওইশিং অমদি লৈবাক অদুবু থাদোক্তুনা চৎপা পাম্লিবা অফঘানশিং মনীং তম্না চৎহন্নবগীদমক খঙহনখ্রে। টালিবানশিংনসু মখোয়গী ৱাফম ঙাক্না চৎকনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

অমরোমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোকখিবদা অফগানিষ্টানদা লৈরিবা অমেরিকানশিং মপুং ফানা লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা য়ু এস ক্রুপশিং মফম অদুদা লেঙদনা লৈখিগনি। মফম অদুদা লৈরিবা অমেরিকানশিং তেক্তা কাইদনবা হোৎনবা হায়বসি মহাক্কী অহানবা পান্দমনি। য়ানখিবগী মতুং ইন্না ওগষ্ট ৩১ ফাওবদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এস ক্রুপশিং লৌথোকপগী ফিরেপ হৌজিকসু হোংবা লৈত্রি। অদুমওইনমক মফমদুদা লৈরিবা অমেরিকানশিং চখোক চৎশিন তৌবদা অপনবা পীরবদি মখা তানা অফঘানিষ্টানদা য়ু এস ক্রুপশিং লৈখিগনি। পনবা য়াবদি টালিবান ফাইটরশিংনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা কাবুল লৌশিনখ্রবা মতুং মফমদুদা লৈরিবা ইন্তরনেসনল এয়রপোর্টতা চঙথোক চঙশিন তৌবগী থবক্তা টালিবানশিংনা য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি।

# হাইটি আর্থক্কেকতা শিখিবা অপুনবা মশীং ২,১৮৯ য়ৌখ্রে : ওফিসল

হাইটি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা হাইটিদা মেগনিচ্যুদ ৭.২ য়ৌনা হাখিবা য়ুহানা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা শিহনখিবা অপুনবা মশীং ২,১৮৯ য়ৌখ্রে হায়না কেরিবিয়ান নেসনগী সিভিল প্রোটেক্সন এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ২,১৮৯ শিহনখিবগা লোয়ননা ১২,২৬০ হেন্না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না এজেন্সি অসিনা ফোঙদোরক্লি। এজেন্সি অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৩৩২ থিবা ফংদনা লৈরি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মরক্তা অকনবা য়ুহা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না চৈথেং পীরি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা অকায় অতোই থোকখ্রবা মফমশিংদা মী থিবা অমদি কনবগী থবক চথুরি। মী শিবগী মশীং মখা তানা হেনগৎলকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি হায়না এজেন্সি অসিনা মখা তারি।

# ফেস মাস্ক উপ্তবগীদমক বৃটিশ অমা চয়োল ৬ কী ফাদোক পীখ্রে

সিঙ্গাপুর, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

বৃটিশ মীওই অমনা সিঙ্গাপুরদা মাস্ক উপ্তুনা অমদি পুলিস পার্সনেল অমদা অথিবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নরম্বগীদমক ফারবা মতুং মীওই অদু চয়োল ৬ কী ওইনা জেল ফাদোক পীখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

সিঙ্গাপুরদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং ৱাংদ্রবসু লায়না লাইচৎ অসিনা চৈথেং পীহল্লক্তনবগীদমক অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিং পায়খত্তুনা লাক্লি। অদুমওইনমক লৈবাক অদুদা লাকখিবা ফোরেনরশিংনা লৈঙাক্না শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং য়াম্না তোয়না থুগাইবগী থৌদোকশিং থোক্লি। কয়া অমনা চৎনা কাঙলোনশিং থুগাইবগীদমক ফাজিন্দুনা থম্লি। মশাগী চহী ৪০ রোম শুরবা বেঞ্জামিন গ্রিননা হৌখিবা মে থাদা ফেস মাস্ক উপ্তুনা ত্রেন তোংখিবগী ভিদিও অমা ভাইরেল ওইরকখ্রবা মতুং মহাকপু ফানবা চৎখিবা পুলিসশিংদসু তাথি তাওইনা তৌবগা লোয়ননা অথিবা ৱাহৈশিং শীজিন্নখি। মমাং থাদা কোর্টতা মহাক পুথোকপা মতমদসু ফেস মাস্ক উপ্পু হায়বা য়াখিদে হায়রি।

# কালিফোর্নিয়াদা চাক্লিবা লম্মৈ হৌজিকসু কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রি

ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

কালিফোর্নিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা চাক্লিবা লম্মৈগী ফীভম হৌজিক হৌজিক কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবগা লোয়ননা মখা তানা অকনবা মওংদা চাকখৎলকপদগী মফমদুদা খুন্দাদুনা লৈরম্বা কম্যুনিটি অনী সেয়ারা নেভাদা চীংশাংগী শরুক ফাওদুনা শাফগদবা মফমশিংদা চেক্টোক্লরক্লি।

অমরোমদা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কা হেনবা অশোক অপনশিং থোকহল্লক্তনবগী পান্দমদা কষ্টমর ৫১,০০০ দা পীরম্বা ইলেক্ত্রিক মতম খরগী ওইনা ককথৎখ্রে। হৌখিবা চয়োলদগী চাকপা হৌরকখিবা লম্মৈ অসিনা মরম ওইরগা দিকসি য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লৈবা উমংশিং চাওনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। দিকসিদা লৈবা য়ুম ৫০ হেন্না লম্মৈনা তুম্না চাকখ্রে হায়না ফায়র ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তসু লম্মৈনা মরম ওইরগা মীওই ২ কা হেন্না শোকহনখিবদগী হৌজিক হৌজিক হোস্পিটালদা অরুবা ফীভমদা ট্রিটমেন্ট চথুদুনা লৈরি। কা হেন্না শাগৎলকপা অমদি অকনবা নুংশিৎনা মরম ওইরগা লম্মৈ অদু চাক্লকখিবনি। নুংশিৎ শিৎপনা মরম ওইরগা চাক্লিবা লম্মৈ কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।


## OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

No. 3/1/2018-IMC-2 Imphal, the 18th August, 2021

ꯈꯪꯍꯟꯕ / খঙহঞ্জবা

Notice অসিনা মরম ওইরগা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal Municipal Corporation না হৌখিবা ইং 2020 গী July তাং ১৭, August ৩০, অমদি ইং 2021 June গী তাং ১৮ দা পাউজেঞ্জখিবা অদুগী মতুং মরিশুবা অমদি অরোইবা ওইনা পাউজেঞ্জরি মদুদি Pradhan Mantri Awas Yojana (PMAY) Housing for All Scheme গী মখাদা Final Beneficiary List তা য়াওখ্রবশিংনা ইশা-ইশাগী মিং অদু MIS Web Portal দা মিং চনখ্রে নত্রগা চন্দ্রি হায়বদু **imc.mn.gov.in** দা চঙবীদুনা য়েংবীনবা খঙহঞ্জরি। MIS Web Portal দা হৌজিক ফাওবা মিং চনশিনবা য়াদ্রিবা Beneficiary শিংগী মিং অদু **imc.mn.gov.in** দা upload তৌরগা থমজরে। মরম অদুনা Final Beneficiary List তা য়াওখ্রবশিংনা Website অসিদগী খঙদোকপীরগা দরকার লৈবা Document শিং হায়বদি **(Beneficiary** গী **Aadhaar, Family member** শিংগী **Aadhaar, Beneficiary** গী **Bank Passbook,** অমদি **Jamabandi/Patta)** অদু **Office** তা নত্রগা মখাদা পীজরিবা WhatsApp Number শিং

| Ward No. | What App No. | Ward No. | What App No. |
|---|---|---|---|
| 1, 10, 20 | 7640969703 | 3, 24 | 8256981803 |
| 21, 22, 23, 26 | 8731022655 | 9, 13, 14, 15, 16 | 7640958502 |
| 5, 6, 7, 17 | 7640958512 | 2, 8, 11 | 7629051574 |
| 18, 19, 25 | 8794355948 | 4, 12, 27 | 8787736454 |

অসিদা লাক্লিবা তারিক **25/08/2021** ফাওবগী মনুংদা শুকশোয় শোয়দনা য়ৌহনবীরক্লবা খঙহঞ্জরি। পীজরিবা মতম অসিগী মনুংদা পীশিনবীরক্তবশিং অদু ইশা-ইশানা scheme অসিগী খূদোংচাবা অদু লৌজররোই হায়বনি হায়না Imphal Municipal Corporation না লৌবতা নত্তনা মখা তাবা ৱাকৎসু লৌজররোই।

**N.B. Aadhaar শেমদোকলুরবা ওইরগদি খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা Aadhaar অদু ওইনা হাপ্পীরক্কদবনি।**

খঙহঞ্জরিবা : **K. Chandrakumar Singh**
Municipal Commissioner
Imphal Municipal Corporation

HL-B/7088/19 & 20



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT: FINANCE DEPARTMENT**
**(EXPENDITURE SECTION)**

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

Imphal, the 19th August, 2021

**No. FX-7/21/2021-e-FD:** In exercise of the powers conferred under Section - 22 of the Manipur Value Added Tax Act, 2004 (thereafter referred as said Act), the State Government hereby intends to amend Schedule-I(D) of the said Act and modifies the VAT rates of the following items as follows:

(i) The VAT rate of High-Speed Diesel (HSD) shall be 18.00 % and this shall substitute the Sl. No.1 of Schedule-1(D) High Speed Diesel (HSD).

(ii) The VAT rate of Motor Spirit (MS) - Petrol (excluding aviation turbine fuel spirit/gasoline) shall be 32.00 % and this shall substitute the rate at Sl. No. 5 of Schedule -1(D) against "Petrol including Motor Spirit (excluding aviation turbine fuel/spirit/gasoline)".

2. The new VAT rate for High Speed Diesel (HSD) and Motor Spirit (MS) - Petrol (excluding Aviation Turbine Fuel Spirit/Gasoline) with respected Schedules shall be as follows:

| Sl. No. | Description | Schedule with Sl. No. | VAT Rate |
|---|---|---|---|
| 1. | High Speed Diesel (HSD) | 1(D), Sl. No. 1 | 18.00% |
| 2. | Motor Spirit (MS) - Petrol (excluding aviation turbine fuel/spirit/gasoline) | 1(D), Sl. No. 5 | 32.00% |

3. Notice is hereby given to all interested parties or individuals to submit their objections/suggestions, views and comments, if any, in writing to the office of the Commissioner of Taxes, Government of Manipur on the proposed amendment within 14 (fourteen) days from the date of publication of this Notification. Any objection/suggestion received after the stipulated date shall not be entertained.

Sd/- Dr. M. Nalindrakumar
Under Secretary (Finance)
Government of Manipur

HL-B/7092/20



THE HIGH COURT OF MANIPUR AT IMPHAL
MANTRIPUKHRI : MANIPUR

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE INVITING SEALED RATE QUOTATIONS

Imphal, the 18th August, 2021

No. HCM/C-11/80-Estt/Pt.XI/. Tender in the prescribed format duly filled and sealed addressed to the undersigned are invited from the reputed firms for supply of the following materials to this Registry.

| Sl.No. | Particulars of the Materials | Quantity |
|---|---|---|
| 1 | Soil having composition of 50:50 (silt and red soil) | 46 loads (407 truck) |
| 2 | Bricks (first class) | 1460 pieces |
| 3 | Cement(Star) | 25 bags |
| 4 | Sand(Dimapur) | 220 cft |
| 5 | Iron rod (8mm)(Tata Tiscon) | 200 kg |

The quotation papers shall be received by this Registry upto **11.00 a.m. of the 2nd September, 2021** and the sealed quotation papers shall be opened on the same day at 1.00 p.m. in the presence of the quotationist(s), if any. The rates should be quoted clearly inclusive of all other charges like GSTs etc.

The quality, name of the brand and company's prescribed warranty period shall be mentioned clearly.

Right to accept any offer and reject the lowest rates or all the quotation papers received is reserved without assigning any reason thereof.

The firm shall have local outlet/shop at Imphal. Furnishing of its particulars viz name, address, phone number etc. are mandatory.

Tender documents indicating full details may be collected from the office of the undersigned on any working day between 11.00 a.m. to 2.00 p.m. upto 25th August, 2021.

Sd/-
i/c REGISTRAR(ADMN./PM&P)

HL-B/7090/20


# য়াল্লবা শেনফমশিং পুদুনা চেনখি হায়বা ৱাফম হান্নগী প্রসিদেন্ট ঘানিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

অবু ধাবি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) :

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানিষ্টান মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌখ্রবা মতুং লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চেনখ্রবা হান্নগী প্রসিদেন্ট অস্রফ ঘানিনা য়াল্লবা শেনফমশিং পুখি হায়বা ৱাফম অদুবু হৌজিক হৌজিক য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা ঘানিনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মহাক্না কাবুল থাদোক্তুনা চৎখ্রিবা অদু মখা তানা মীশি মীনা কয়া থোকহল্লক্তনবগী পান্দমদনি হায়রি।

টালিবান ফোর্সশিংনা কাবুলদা চঙশিল্লকখ্রবা মতুং খঙহৌদনা লৈবাক অদু থাদোক্তুনা ঘানিনা চেনখিবা অদুবু হান্নগী মিনিষ্টরশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মতাংদা করপসনগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখিবনি।

অমরোমদা ঘনিনা ফোঙদোকখিবদা গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংগী এদভাইস মতুং ইন্না মহাক লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎখিবনি। য়েমেন নৎত্রগা সিরিয়াগুম্না লৈবাক অদুদা খুদোংথিবা থোকহল্লক্তনবগীদমক তঙাইফদনা মহাক লৈবাক থাদোক্তুনা চৎখিবনি। মহাক্না লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎপা মতমদা মশাগী ফিজোল অদু খক নত্তনা অতোপ্পা পোৎলম অমত্তা পুখিদে। মহাক্না য়াল্লবা শেনফমশিং পুদুনা চৎখি হায়না ফোঙদোরক্লিবা অসি মহাক্কী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনবনি। কষ্টম ওফিসলশিংদা হংলগা মহাক্কী মতাংদা খঙনবা হোৎনবিয়ু হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 210,066,484 | +697,822 | 4,404,468 | +10,574 | 188,192,657 | 17,469,359 |
| 1 | USA | 38,072,656 | +158,127 | 641,346 | +1,055 | 30,341,886 | 7,089,424 |
| 2 | India | 32,320,898 | +35,797 | 433,063 | +511 | 31,516,224 | 371,611 |
| 3 | Brazil | 20,458,221 | +41,017 | 571,703 | +985 | 19,362,990 | 523,528 |
| 4 | Russia | 6,663,473 | +20,914 | 172,909 | +799 | 5,939,037 | 551,527 |
| 5 | France | 6,533,383 | +28,405 | 112,976 | +112 | 5,966,375 | 454,032 |
| 6 | UK | 6,355,887 | +33,904 | 131,260 | +111 | 4,923,892 | 1,300,735 |
| 7 | Turkey | 6,138,452 | +19,944 | 53,675 | +168 | 5,651,819 | 432,958 |
| 8 | Argentina | 5,106,207 | +9,764 | 109,652 | +247 | 4,774,760 | 221,795 |
| 9 | Colombia | 4,877,323 | +3,154 | 123,781 | +93 | 4,702,478 | 51,064 |
| 10 | Spain | 4,745,558 | +11,956 | 82,883 | +144 | 4,038,026 | 624,649 |
| 11 | Iran | 4,556,417 | +39,174 | 99,691 | +583 | 3,814,127 | 642,599 |
| 12 | Italy | 4,456,765 | +7,162 | 128,579 | +69 | 4,199,404 | 128,782 |
| 13 | Indonesia | 3,908,247 | +15,768 | 121,141 | +1,128 | 3,443,903 | 343,203 |
| 14 | Germany | 3,846,186 | +8,998 | 92,428 | +25 | 3,684,700 | 69,058 |
| 15 | Mexico | 3,123,252 | +14,814 | 249,529 | +877 | 2,470,033 | 403,690 |
| 16 | Poland | 2,885,882 | +207 | 75,307 | +1 | 2,655,588 | 154,987 |
| 17 | South Africa | 2,638,981 | +14,727 | 78,377 | +384 | 2,402,020 | 158,584 |
| 18 | Ukraine | 2,268,666 | +1,447 | 53,336 | +40 | 2,198,220 | 17,110 |
| 19 | Peru | 2,137,295 | +1,468 | 197,659 | +120 | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,909,211 | +2,777 | 17,927 | +7 | 1,789,524 | 101,760 |
| 21 | Iraq | 1,801,364 | +7,992 | 19,886 | +71 | 1,623,886 | 157,592 |
| 22 | Philippines | 1,776,108 | +10,698 | 30,623 | +161 | 1,640,154 | 105,331 |
| 23 | Czechia | 1,676,823 | +298 | 30,381 | +1 | 1,644,045 | 2,397 |
| 24 | Chile | 1,630,831 | +501 | 36,456 | +18 | 1,587,619 | 6,756 |
| 25 | Malaysia | 1,466,512 | +22,242 | 13,302 | +225 | 1,198,726 | 254,484 |
| 26 | Canada | 1,460,175 | +2,477 | 26,761 | +42 | 1,412,636 | 20,778 |
| 27 | Bangladesh | 1,440,644 | +7,248 | 24,719 | +172 | 1,327,028 | 88,897 |
| 28 | Japan | 1,178,094 | +18,872 | 15,467 | +36 | 997,295 | 165,332 |
| 29 | Belgium | 1,156,620 | +1,741 | 25,299 | | 1,079,249 | 52,072 |
| 30 | Sweden | 1,114,278 | | 14,624 | | 1,080,646 | 19,008 |
| 31 | Pakistan | 1,109,274 | +3,974 | 24,639 | +66 | 996,426 | 88,209 |
| 32 | Romania | 1,088,594 | +541 | 34,365 | +6 | 1,050,600 | 3,629 |
| 33 | Portugal | 1,009,571 | +2,983 | 17,601 | +17 | 947,465 | 44,505 |
| 34 | Thailand | 968,957 | +20,515 | 8,285 | +312 | 753,338 | 207,334 |
| 35 | Israel | 965,490 | +7,943 | 6,723 | +19 | 896,124 | 62,643 |
| 36 | Hungary | 810,658 | +109 | 30,045 | +3 | 768,891 | 11,722 |
| 37 | Jordan | 786,585 | +888 | 10,252 | +13 | 764,302 | 12,031 |
| 38 | Morocco | 782,097 | +9,703 | 11,345 | +103 | 688,902 | 81,850 |
| 39 | Switzerland | 747,398 | +3,293 | 10,934 | +5 | 698,619 | 37,845 |
| 40 | Nepal | 739,907 | +2,613 | 10,396 | +42 | 689,173 | 40,338 |
| 41 | Serbia | 736,313 | +1,497 | 7,183 | +6 | 714,443 | 14,687 |
| 42 | Kazakhstan | 708,379 | +7,034 | 7,867 | +116 | 585,298 | 115,214 |
| 43 | UAE | 705,089 | +1,089 | 2,009 | +3 | 684,414 | 18,666 |
| 44 | Austria | 671,593 | +1,221 | 10,757 | | 650,931 | 9,905 |
| 45 | Tunisia | 632,328 | +2,626 | 22,304 | +156 | 584,696 | 25,328 |
| 46 | Lebanon | 586,585 | +1,689 | 7,993 | +5 | 543,164 | 35,428 |
| 47 | Greece | 547,186 | +3,437 | 13,245 | +25 | 496,376 | 37,565 |
| 48 | Cuba | 545,275 | +8,666 | 4,240 | +84 | 496,248 | 44,787 |
| 49 | Saudi Arabia | 540,244 | +546 | 8,439 | +8 | 525,559 | 6,246 |
| 50 | Georgia | 496,376 | +5,914 | 6,532 | +49 | 432,506 | 57,338 |